**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 26-09-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) হন্দক্তা নৌনা চৎনবা হৌখ্রবা নেক্স জেনেরেসন জি.এস.টি রিফোর্মসকী কান্নবা মপ্ং ফানা মীয়ামদা ফংহন্নবা সরকারনা খোঙজং চখ্রবা হৌরে।

২) অসাম রাইফলস অমসুং নার্কোটিক কন্ট্রোল ব্যুরোগী অপুনবা কাংবুনা চান্দেল জিলাদগী লুপা কোতি ৫৩ হেনবগী দব্লিউ.ৱাই টেব্লেৎ ফারে।

৩) হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা ঐখোয়গী মমল য়াম্বা নেচরেল হেরিতেজ, উমং, তুরেল, পাৎ অমসুং চীংশিং ঙাক শেন্নবা অমত্তা ওইনা পুনশিন্নরশি হায়না মণিপুর মীয়ামদা আপীল তৌরি।

৪) রাজ্যগী কঞ্জুমর এফ্যারস, ফুড অমসুং পাব্লিক দিষ্ট্রিব্যুসন বিভাগনা হায়রি- পেত্রোল্লিয়মগী পোখোকশিং নিয়ম কায়না য়োনবগী মথক্তা য়েংশিনবা হৌরগনি।

অমসুং

৫) কেন্দ্রগী লৌউ শিংউ মন্ত্রি শিবরাজ সিংহ চৌহান্না ঙসি প্রধান মন্ত্রি কিষান সমান নিধি স্কিমগী ২১ শুবা ইন্সটোলমেন্ট পীখ্রে।

**------**

জিএসটি (এল)ঃ হন্দক্তা নৌনা চৎনবা হৌখ্রবা নেক্স জেনেরেসন জি.এস.টি রিফোর্মসকী কান্নবা মপুং ফানা মীয়ামদা ফংহন্নবা রাজ্যগী টেক্সেসন দিপার্টমেন্ট

অমসুং দি.আই.পি.আরনা ইম্ফালগী মরুওইবা কৈথেলশিংদা হোলসেল্লরশিং, দুকান্দারশিং অমসুং পোৎ চৈ লৈরিবা মীয়াম্বু মমুৎ তানা খঙহন্নবগী খোঙজং চখৎবা হৌরে। থৌরাং অসিনা টেক্স ওফিসিয়েল অমসুং ষ্টেগ হোল্ডরশিংগী মরক্তা চমমবা লৈহন্দনা অনৌবা জি.এস.টি রিফোর্ম অসিবু নিংথিনা চৎনবা ঙমহনগনি।

অনৌবা জি.এস.টি রিফোর্ম অসিনা পোৎ চৈগী মমল শিংথানিঙাই ওইনা হন্থহন্দুনা পোৎ চৈ লৈরিবা মীওইশিংগী য়াইফ থৌরাংদা চাউনা মতেং ওইরে অমসুং লৈবাক অসিগী শেল থুমগা ফিভমদসু চাউনা অহোংবা লাক্লগনি। নেক্স জেনেরেসন জি.এস.টি. রিফোর্ম অসিনা পোৎলম খুদিংমক্তা জি.এস.টি লৌবগী চাং ৱাংনা হন্থরে। সরকারনা লল্লোনবশিং, ইন্দষ্ট্রিগী মীওইশিং অমসুং পোৎ লৈরিবা মীওইশিংগী মরক্তা অমনা অমবু তেংবাংনদুনা পুন্না গ্যান তামিন্নরগা নৌনা চৎনরিবা জি.এস.টি অসি মপুং ফানা কান্নবা ফংনবা হোৎনশি। প্রিন্ট অমসুং ইলেক্ট্রোনিক মিদিয়াশিংনা অনৌবা রিফোর্ম অসিগী মতাংদা মীয়াম্বু মমুৎ তানা খঙহনবদা মতেং পাংবীনবা সরকারনা আপীল তৌরি।

অমরোমদা, অনৌবা জি.এস.টি অসিনা মণিপুরগুম্বা লমদম অসিদা লৈরিবা মীয়ামদসু চাউনা কান্নবা পীরগনি হায়না মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী ইকোনোমিক্সকী প্রোফেসার ডাঃ চিংলেন মৈস্নামনা ফোংদোরক্লি। অকাশবানি ইম্ফালগী ঈ-পাউ কাংবুগা অখন্ননা উন্নবদা মহাকা হায়- লৈবাক অসিদা থা অসিগী ২২ দগী চৎনবা হৌখিবা অনৌবা জি.এস.টি অসিগী কান্নবা মীপুম খুদিংমকা ফংলগনি। অদুবু অনৌবা জি.এস.টি অসিনা মপুং ফানা চৎনরক্লবা মতুং লাক্লিবা নবেম্বর থা ফাওবদা মীয়ামসু হেন্না খঙবগা লোয়ননা হেন্না কান্নবা লৌবা ঙমগনি।

ড্রগ (এল)ঃ অসাম রাইফলস অমসুং নার্কোটিক কন্ট্রোল ব্যুরোগী অপুনবা কাংবুনা চান্দেল জিলাদগী লুপা কোতি ৫৩ হেনবগী দব্লিউ.ৱাই টেব্লেৎ ফারে।

অসাম রাইফলসকী চেরোল অমনা হায়- অককবা পাউ অমা ফংবদগী জিলা অসিগী বলা পোইন্টতা অচৎ অওকশিং চ্যেক তৌখি। মদুদা জিপসি অমগা

কেনবো মোটোর সাইকল অমা সেক্যুরিতি পার্সোনেল উবদা মফম অদুদগী নাম্থোক্তুনা চেনখিনবা হোৎনরকপদগী তান্নদুনা ফাখি। গাড়িশিং অদুদা লাকখিবা মীওই অনি অদুনা য়াল্লবা দব্লিউ.ৱাই টেব্লেৎশিং গাড়িদা লোৎশিল্লগা পুনবা হোৎনরম্বদগী ড্রগশিং অদু ফাগৎখি। পাউ অসিনা হায়- সেক্যুরিতি পার্সোনেলশিংনা ফাগৎলকপা দব্লিউ.ৱাই টেব্লেৎ অদু চাউরাকা কিলোগ্রাম ৬৭ হেনবগী ওইগনি। হায়রিবা নিশাগী পোৎলম অসি মালেমগী কৈথেলদা চাউরাকা লুপা কোতি ৫৩ লাখ ৮০ রোমগী মমল ওইগনি। ফারবা মীওই অমদি ড্রগশিং অদু মখা তাবা আইনগী ওইবা থবক পায়খৎনবা নার্কোটিক কন্ট্রোল ব্যুরোদা শিন্নখ্রে।

পুলিস (এল)ঃ  ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিস অমসুং অসাম রাইফলসকী অপুনবা কাংবুনা শওম্বুং বজার ফোরেষ্ট গেটতগী আইন্না থিংখ্রবা লালহৌলুপ কে.সি.পি (পি.দব্লিউ.জি)গী মীওই অমা ফারে।

পুলিসকী পাউনা হায়- ফারবা মীওই অদু ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী লংথবাল কুঞ্জ মমাং লৈকাইদগীনি। মীওই অসিগী মথক্তা মখা তাবা আইনগী ওইবা থবক লৌখৎনবা লম্লাই পুলিস ষ্টেসনদা শিন্নখ্রে।

অমরোমদা, নার্কোটিক্স এন্দ এফ্যারস ওফ বোর্দর (নাব) অমসুং সেক্যুরিতি ফোর্সকী অপুনবা কাংবু অমনা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী খুরাই শাজোর লৈকাইদগী মীওই অমা য়াল্লবা নিশা ওইনা শিজিন্নবা ড্রগকা কোন্ননা ফারে। ফারবা মীওই অদু খুরাই কোনশম লৈকাইদগীনি। মঙোনদগী ত্রামাদোল টেব্লেৎ লিশিং ২৩,৩০৪, নাইত্রাপাল টেব্লেৎ লিশিং ১,৩৯০ অমসুং লোক খুবগী বরকোদেক্স সিরপ লিশিং ১,৩৮৩ ফংখি। মীওই অসিগী মথক্তা নাবনা কেস অমা লৌখৎলে হায়রি।

বিরেন (এল)ঃ ৱার্ল্ড ইনভাইরোনমেন্ট হেলথ ডেদা হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা ঐখোয়গী মমল য়াল্লবা নেচরেল হেরিতেজ, উমং, তুরেল, পাৎ অমসুং চীংশিং ঙাক শেন্নবা অমত্তা ওইনা পুনশিন্নরশি হায়না

মণিপুর মীয়ামদা আপীল তৌরি।

সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা শ্রী বিরেন্না হায়- রাজ্য অসি বাইও দাইভর্সিতি য়ামা ইনাক খুনবনা মীপাল তাংদনা হিংনবগী মাইকৈদা ঐখোয় খুদিংমক্কী দাইত্ব অমসুং খুদোংচাবা কয়ামরুম লৈ। প্লাষ্টিক শিজিন্নবা হন্থহনশি, ঈশিং য়োক্তুনা থমশি, উ হেন্না থাশি অমসুং ঐখোয়গী নুংতিগী পুন্সিদা ইকো সিষ্টেমদা অকায়বা পীরোইদবা হৈনবী থমশি হায়রদুনা মহাকা হায়- তুংগী মণিপুর অসি ঙসি ঐখোয়না তৌরিবা থবক্কী মখা পোল্লি। ঐখোয় পুন্না হোৎনদুনা মণিপুরবু হেন্না লু-নানবা, পুমশং শংবা অমসুং মশা মউ ফবা মণিপুর অমা ওইহল্লশি হায়নসু মহাকা আপীল তৌরি।

চান্দেল (এল)ঃ  চান্দেল জিলাগী চামদিল খুল্লেলদা ৱার্ল্ড ইনভাইরোনমেন্ট হেলথ ডে থৌরমগা লোয়ননা এক দিন, এক ঘন্তা, এক সাথ অমদি সেবা পর্বাগী থৌরম ঙসি পাঙথোকখ্রে। দিভিজনেল ফোরেষ্ট ওফিস চান্দেলনা শিন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অসিগী শরুক অমা ওইনা লু-নানবগী থৌরম মফম কয়াদা শিৎ শেংদুনা পাঙথোকখি। সেবা পর্বা থৌরমগী মনুং চন্না খুলগী অকোইবদা উ চারা কয়াসু থাখি।

কঞ্জুমর (এল)ঃ  রাজ্যগী কঞ্জুমর এফ্যারস, ফুড অমসুং পাব্লিক দিষ্ট্রিব্যুসন বিভাগনা হায়রি- পেট্রোল্লিয়মগী পোত্থোকশিং মরুওইনা পেট্রোল অমসুং হাই স্পিদ দিজল অসি মীওই খরনা য়ুম্লক্তা লান্না য়োনবা থেংনরে।

কৈশামপাৎ ইম্ফালদা লৈবা দি.আই.পি.আরগী ওদিতোরিয়মদা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমা কেফ এন্দ পি.দিগী ওফিসার ওন স্পেসিয়েল দ্যুতি (পেট্রোল্লিয়ম, ওইল এন্দ লুব্রিকন্ট) হাওবম বোবীনা হায়- ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং থৌবাল জিলাগী মফম খরদা য়ুম্লক্তা আইন্না য়াদবা মওংদা পেট্রোল্লিয়মগী পোত্থোকশিং য়োল্লে হায়বগী ৱাকৎ লাক্লে। মখোয়গী মথক্তা য়েংশিনবা হৌরগনি। মহাকা হায়- ঙসিদগী থারগা নুমিৎ ১৫ নি ফাওবগী মনুংদা মখোয়না পেট্রোল্লিয়মগী পোত্থোকশিং য়োল্লিবা অদু তোক্তবা তারবদি মরী লৈনবা

আইনগী মখাদা অকনবা থবক লৌখৎলগনি। মহাকা হায়- য়ুন্নক্তা পেত্রোল্লিয়মগী পোখোকশিং পৈশিল্লিবশিং পেত্রোল্লিয়ম অমসুং নেচরেল গ্যাস মন্ত্রালয়গী নোতিফিকেসনগী মখাদা পীরিবা সার্তিফিকেট ওফ সেফতি অমসুং সার্তিফিকেট ওফ টেঙ্ক টেষ্ট পায়ব্রা হায়বদুসু য়েংশিল্লগনি।

মেমোরেন্দম (এল)ঃ মণিপুর তম্পাক্কী তুরেল তোর্বানশিং মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা অমসুং ঈশিং ঈচাউ ঙাকথোকবগী মপুং ফাবা প্রোজেক্ট অমা পায়খৎপীনবা মণিপুরগী রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লাদা খুরাই পানা অপুনবা শিংলুপ অমসুং কোওর্দিনেতি বোদিনা তকশিনখ্রে।

রাজ্যপালদা পীশিনখিবা মেমোরেন্দম অমদা লুপ অনি অসিনা হায়- প্রোজেক্ট অসিগী মপুং ওইবা পান্দমদি- তম্পাক্তা চেল্লিবা তুরেলশিংগী নাক য়েৎকী তোর্বানদা লম খোপচিনবা থিংবা অমসুং নাকল অনিমক্তা ফুট ৪০-৪০ পাকপা লম কনশিন্দুনা বফর জোন শেমগৎপা, রিটেন্নিং ৱাল চনবীনবনচিংবা ৱাফমশিং য়াওরি।

উ (এল)ঃ ওল মণিপুর য়ুনাইতেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন (অমুকো)গী মীৎয়েং মখাদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট য়ুনাইতেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন অমসুং য়ুনাইতেদ চীং তম ক্লবস এসোসিয়েসন্না পুন্না শিন্দুনা ঙসি এসোসিয়েসন অসিনা কোনবা মফমশিংদা উ চারাশিং থাখ্রে।

নারি শক্তি (এল)ঃ লৈবাক শিনবা থুংনা চথরিবা হেলথ কেম্প স্বাস্থ নারি সাসক পরিবার অভিয়ান মণিপুরদসু তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পাঙথোক্লি। ঙসিসু কেম্পেন অসিগী মনুং চন্না নোনে জিলাগী খৌপুম প্রাইমারি হেলথ সেন্তর অমসুং থৌবাল জিলাগী সমারামদা হেলথ কেম্পশিং পাঙথোকখি। মদুদা তোঙান তোঙানবা লায়নাশিং স্ক্রিনিং তৌখি অমসুং পি.এম.জে.এ.ৱাই-ভি.এ.ৱাই কার্দশিং শাখি।

থৌবালগী সমারামদা পাঙথোকখিবা হেলথ কেম্প অদুদা মেগা ব্লড দোনেসন কম ফ্রি হেলথ কেম্প (আই এন্দ দেন্টেল)সু চখ্খি। থৌরম অদুদা থৌবাল জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিসনার হনা কামৈ অমদি তোঙান তোঙানবা ওফিসিয়েল কয়াসু শরুক য়াখি।

অমরোমদা রাজ্যগী ফুড সেফটি এদমিনিষ্ট্রেসন্না শিন্দুনা স্বাস্থ নারি সাসক পরিবার কেম্পেনগী মনুং চন্না ফুড হাইজিন অমসুং সেফতিগী মতাংদা জি.পি. ৱিমেন্স কলেজ অমসুং টি.জি হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা থৌরমশিং পাঙথোকখি। মদুদা এফ.এস.এস.এ.আইনা ফোংবা তোঙান তোঙানবা বুকলেটশিংসু মহৈরোইশিংদা য়েন্থোকখি।

এদ ৭৫ (এল)ঃ ভিক্সিত ভারত, ভিক্সিত মণিপুরগী মখাদা থা অমা চুপা চখ্খগদবা নেসন ফার্ষ্ট এদ সভেন্তি ফাইভ কেম্পেন রাষ্ট্রিয়া পোসন মা ২০২৫ ঙসি ককচিং জিলাগী হিয়াংলম ৱাবগাই কম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখ্রে। মসিগী থিমনা রাইট ন্যুত্রিসন, হেলদি লাইফ হায়বসিনি। থৌরম অসিগী শরুক অমা ওইনা এক পের মা কে নাম কেম্পেনগী মখাদা উ চারাশিংসু থাখি।

ভিক্সিত ভারত ভিক্সিত মণিপুরগী মখাদা নেসন ফার্ষ্ট এদ সভেন্তি ফাইভ কেম্পেন অমা ঙসি নোনে জিলাগী হেলথ এন্দ ৱেলনেস সেন্তর, খৌপুম পি.ঐস.সিদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদু মণিপুর সরকারগী সোসিয়েল ৱেলফ্যার দিপার্টমেন্টকী দিষ্ট্রিক্ট চাইল্ড প্রোটেক্সন য়ুনিত নোনেনা শিনবনি।

তমেংলোং (এল)ঃ দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন তমেংলোংনা শিন্দুনা ঙসি তমেংলোং দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বাটরসকী এস.দি.ও ওফিস কমপ্লেক্সতা নোংমগী ওইবা আদি কর্ম্ম যোগি অভিয়ানগী মতাংদা ব্লোক মাষ্টর ত্রেন্নরশিংগী দিষ্ট্রিক্ট প্রোসেস লেব ত্রেনিং অমা পাঙথোকখ্রে।

প্রোগ্রাম (এল)ঃ মণিপুর সরকারগী দিপার্টমেন্ট ওফ সোসিয়েল ৱেলফ্যারগী দিষ্ট্রিক্ট চাইল্ড প্রোটেক্সন য়ুনিত বিষ্ণুপুরনা শিন্দুনা জ্ভেনাইল জষ্টিস (কেয়ার এন্দ

দ প্রোটেক্সন ওফ চিলদ্রেন) এক্ট, প্রোটেক্সন ওফ চিলদ্রেন ফ্রোম সেক্সুয়েল ওফেন্সেস (পোক্সো) এক্ট অমসুং দ প্রোহিবিসন ওফ চাইল্ড মেরিএজ এক্টপু মীয়ামদা মমুৎ তানা খঙহনবগী থৌরম অমা ঙসি পাব্লিক থিয়েটর আর্টিষ্ট এসোসিয়েসন ফোইজিং নম্বোলদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা অখঙ অহৈশিংনা এক্টশিং অসিগী মতাংদা ৱা ঙাংখি।

ৱাটর (এল)ঃ ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী পোরোমপাৎ ৱাটর ত্রিটমেন্ট প্লান্টনা কোনবা মফমশিং- শঞ্জেনথোং ক্বাটর, জেনিমস হোস্পিতাল, নিউ চেক্কোন, নোংমৈবুং, শোইবম লৈকাই, অয়াংপল্লি রোড, খুরাই, কোংপাল, টি.ভি টৱার এরিয়া, ৱাংখৈ খুনৌ, রমানিয়া, টোপ খোঙনাংমখোঙ, থম্বালখোংনচিংবা মফমশিংদা ঈশিং চাং নাইনা ফংলরোই। পাব্লিক হেলথ ইঞ্জিনিয়ারিং বিভাগকী চেরোল অমনা হায়- ঈশিং ঈচাউনা মরম ওইদুনা ইরিল তুরেলগী ঈশিং অসি মোৎশিল্লে। তুরেল অসিগী ঈশিং অসি মহৌশাগুমা শিজিন্নবা য়াদ্রিবা ফাওবা মহৌশাগুম ঈশিং পীবা ঙমখিরোই।

হাইৱে (এল)ঃ নেসনেল হাইৱে ১০২-এ উখ্রুল-তোলোই-তদুবী রোড অমসুং নেসনেল হাইৱে ১২৯-এ মরাম-পেরেন রোড শেমজিন শাজিনবা লোইদুনা ঙসিদগী মহৌশাগুম গাড়ি মখল খুদিংমক চৎপা য়ারে হায়না দিপ্যুতি কম্মিসনার সেনাপতিগী চেরোল অমনা হায়রি।

চৌহানঃ কেন্দ্রগী লৌউ শিংউ মন্ত্রি শিবরাজ সিংহ চৌহান্না ঙসি ভিদিও কনফরেন্সিংগী খুথাংদা প্রধান মন্ত্রি কিষান সমান নিধি (পি.এম-কিষান) স্কিমগী ২১ শুবা ইন্সটোলমেন্ট পীখ্রে। শ্রী চৌহান্না হায়- লৌমী লাখ ২৭ হেনবগী বেঙ্ক এক্কাউন্টতা লুপা কোতি ৫৪০ হেন্না ত্রান্সফর তৌরে। মসিগী মনুংদা নুপী লৌমী লাখ ২ লিশিং ৭০ রোমসু য়াওরি হায়রি।

লৌউ শিংউ অমসুং লৌমীশিং য়াইফ থৌরাং মন্ত্রালয়না হায়- ঙসি থাদোক্লিবা ইন্সটোলমেন্ট অসি মরুওইনা হিমাচল প্রদেশ, পঞ্জাব অমসুং

উত্তরাখন্দগী লৌমীশিংদা কান্নবা ফংহল্লগনি। হন্দক্তা ঈশিং ঈচাউ অমসুং চীং নীংখায়বদগী অৱাবা নংলবা লৌমীশিংদা থৌরাং অসিনা কান্নবা ফংহল্লে।

এৱার্দ ঃ রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা ঙসি রাষ্ট্রপতি ভবনগী কলচরেল সেন্তরদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা নেসনেল জিও সাইন্স এৱার্দ ২০২৪ য়েন্থোকখ্রে। নেসনেল জিও সাইন্স এৱার্দ অসি জিও সাইন্সকী লমদা লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী লিরবা অমসুং খ্বাইদগী লেমজনিঙাই ওইবা মনানি।

মনা ফংলবশিংদা নুংঙাইবা ফোংদোক্লদুনা রাষ্ট্রপতিনা হায়- মনাশিং অদু জিও সাইন্সকী লমদা মখোয়না অচেৎপা ফিরেপ, ইনোভেসন অমসুং থোইদোক হেন্দোকপা থাক্তা থবক তৌববু ইকায় খুমদুনা পীবনি।

পিএম ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি নিউ দিল্লিদগী ভিদিও কনফরেন্সিংগী খুত্থাংদগা বিহারগী মুখ্য মন্ত্রি মহিলা রোজগার য়োজনা হৌদোকখ্রে। থৌরম অদুদা শ্রী মোদিনা বিহারগী মফম কয়াদগী নুপী লাখ ৭৫ গী বেঙ্ক এক্কাউন্টতা লুপা লিশিং ১০-১০ ত্রান্সফর তৌখি। স্কিম অসিনা নুপীশিংদা মশানা মশাবু থবক পীজবগী খুত্থাংদগা শক্তি পীনবা অমসুং হিংবগী খুদোংচাবা হেনগৎহন্নবা পান্দম থল্লি। স্কিম অসিনা রাজ্য অদুগী ইমুং খুদিংমক্কী নুপী অমমমদা শেলগী মতেং পীগনি। রোজগার য়োজনা অদুগী কান্নবা ফংলবশিংগসু প্রধান মন্ত্রিনা ভারচুয়েল ওইনা ৱারী শান্নখি।

সিন্দিয়া ঃ লৈবাক শিন থুংবগী মফম লিশিং ৯৮ রোমদা বি.এস.এন.এল ফোর-জি ষ্টেক খিল্লগনি হায়না কেন্দ্রগী কম্যুনিকেসন্স মন্ত্রি জ্যোতিরাদিয়া সিন্দিয়ানা লাডথোকখ্রে। ফোর-জি ষ্টেক অসি হয়েং প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হৌদোক্কনি।

নিউ দিল্লিদা মন্ত্রিনা পাউমীশিংদা হায়- ফোর-জি ষ্টেক অসি ফাইভ-জিদা অপগ্রেদ তৌগনি অমসুং লৈবাক্কী মফম অমত্তা মসিনা য়ৌদবা লৈহল্লরোই।

নদ্দা ঃ হকশেল অমসুং য়াইফ য়ুম্বাল মন্ত্রি জে.পি. নদ্দানা হায়রি- চীঙাক্তা অশোই অঙাম থোকহন্দবা হায়বসি ইচম চমা চৎন কাংলোন ইনবা খক্তগী ৱাফম নত্তে। মালেমগী চীঙাক্কী থৌশিলদা থাজনবা লৈহন্নবনি। শ্রী নদ্দানা ঙসি নিউ দিল্লিদা ফসাইগী অহুম্লক শুবা গ্লোবেল ফুড রেগুলেটরস সম্মিৎ ২০২৫ হৌদোকখি।

মহাকা হায়- সরকারনা মতম পুমমক্তা তুংগী পুন্সিদা পাঙ্গল কন্নবা অমসুং লায়না তিলনা লৈহন্দনবা অফবা চীঙাক চাবগী হৈনবী লৈহন্নবা হোৎনদুনা লাক্লি।

মিগ-২১ ঃ ইন্দিয়ান এয়ার ফোর্সনা ঙসি চান্দিগরদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা মিগ ত্বেন্তিৱান এয়ারক্রাফটতা অরোইবা বিদাই পীখ্রে। চহি ৬০ হেন্না লৈবাক্কী সেবা তৌরক্লবা এয়ারক্রাফটশিংদু ঙাকশেল মন্ত্রি রাজনাথ সিংহ অমসুং মকোক থোংবা ওফিসিয়েলশিং য়াওবা থৌরম অমদা দিকম্মিসন তৌখি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

ফুটবোল ঃ শ্রীলঙ্কাদা চত্থরিবা সাফ অন্দর সভেন্তিন ফুটবোল চেম্পিয়নসিপকী ঙসি শান্নখিবা সেমি ফাইনেলদা ভারতনা নেপালবু পাঞ্জল ৩-০ দা থোইখ্রে। ভারতকী মায় পাকপগী পাঞ্জলশিং অদু ৱাংখৈরাকপম গুনলৈবা, অজলান সাহ অমসুং দাইমান্দ থোকচোমনা চনখি।

চেম্পিয়নসিপ অসিগী ফাইনেলদা ভারত অমদি বঙ্গলাদেশ অনিনা শান্নরগনি।

ফুটবোল ঃ ২১ শুবা কে.কে. মেমোরিয়েল ফার্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লিগ ২০২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা দি.ৱাই.এ এলাং খাংপোকপীবু য়ু.সি.সি ককচিংনা পাঞ্জল ১-০ দা থোইখ্রে। য়ু.সি.সিগী মায় পাকপগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল এম. বিপিনচন্দ্রনা শান্নবগী ৪৭ শুবা মিনিতা চনখি।

ফুটবোল ঃ দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন-বিষ্ণুপুরনা শিনদুনা পাঙথোকপা ১৮ শুবা এন. বালানন্দ সিংহ মেমোরিয়েল সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লিগ ২০২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা য়ু.এফ.সি বিষ্ণুপুরনা ইশোক এফ.সিবু পাঞ্জল ১-০ দা থোইখি। য়ু.এফ.সিগী বিষ্ণুপুরগী মায় পাকপগী পাঞ্জল অদু শান্নবগী ৭৯ শুবা মিনিৎতা লানজাগাই দাংমৈনা চনখি।

ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদা টি.ৱাই.দি.এ তৌবুল অমদি আই.এফ.সি.সি কৈনৌ পাঞ্জল ২-২ চন্নদুনা দ্রো ওইখ্রে।

সুত্তিং ঃ নিউ দিল্লিদা চথরিবা আই.এস.এস.এফ জ্নিয়র ৱার্ল্ড কপকী নুপাগী মিতর ১০ গী এয়ার পিষ্টোলদা ভারতকী জোনাথন গেবিন এন্তোনিনা সনাগী তকমান লৌখ্রে।

ক্রিকেট ঃ দুবাই ইন্তরনেসনেল ষ্টেদিয়মদা চখরিবা এসিয়া কপ টি-ত্বেন্তি ক্রিকেটকী সুপর ফোর ষ্টেজদা ভারত অমসুং শ্রীলঙ্কা থেংনরগনি। মেটচ অসি ঙসি নুমিদাং পুং ৮ দগী শান্নবা হৌগনি। ভারত হান্ননা ফাইনেলগী ক্বালিফাইদ ওইখ্রবনি। লাক্লিবা নোংমাইজিং নুমিৎতা ভারত অমদি পাকিস্তান ফাইনেল শান্নগনি।

ঙরাং শান্নখিবা মেটচ অমদা পাকিস্তান্না বঙ্গলাদেশপু রন ১১ দা থোইদুনা ফাইনেলগী মফম কনখিবনি।

------